# জপানদা মীওই ১৯ থাঙনা থীন্দুনা হাৎখ্রে, মীওই ২৫সু শোকখ্রে



টোকিয়ো, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) ঃ
জপানদা ঙসি ৱাখলগী অশোয়বা লৈবশিংগী ক্যের সেন্টর অমদা থাঙ ছুরি অমা পায়বা সেন্টরদুগী হান্নগী ইমপ্লোয়ী অমনা মীওই ১৯ হাৎখ্রে অমসুং ২৫ না অশোক-অপন নংহনখ্রে। মদু শাংলবা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা লৈবাক অদুদা থোকপা মী খ্বাইদগী য়াম্না হাৎপগী থৌদোক্নি হায়রি।

চহী অসিগী অঙনবদা শোইনাইরবা মীওই চা কয়া হাৎকনি হায়না কীহনখিবা মীশকনি হায়রিবা মশাগী চহী ২৬ শুরবা কিল্লর নুপা অদু তুংদা পুলিস ষ্টেসনদা চঙশিনখি অমসুং ওফিসরশিংদা মীহাৎশিংদু মহাক্না পাঙথোকখিবনি হায়না তমখি। মহাক্না "শোইনাইবা মীওই খুদিংমক লোইশিনগদবনি" হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ওথোরিটিশিংনা এটেক্কর অদু সাটোশি য়ুমাটসু কৌবা মীওই অমনি হায়না মশক ফোঙদোকখি। মীওই অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ফাওবা সাগামীহারাগী ফেসিলিটি অদুদা থবক তৌরম্মী হায়খি। সাগামিহারা অসি কেপিটেল টোকিয়োগী নোংচুপলোমদা লৈবা মী ৭০০,০০০ হেন্না লৈবা সীটি অমনি। ব্রোদকাষ্টর এন টি ভিনা হায়খি, নুপা অদুনা পুলিসতা মহাক ক্যের সেন্টর অদুনা থবক থদৎখি, অদুনা মদুগী মায়োক্তা নুংঙাইতবা লৈ হায়খি।

এটেক অদু অয়ুক অঙনবদা য়ুমাটসুনা অহানবা ফ্লোরগী থোঙনাও থুগাইরগা বিল্ডিং মনুংদুদা চঙলক্লগা হৌখি। পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা হায়খি মদুদি, অহানবদা মহাক্না ক্যেরগিভর অমা পুনশিল্লবা মতুংদা বিল্ডিংদুদা লৈরিবা মীশিংদা থাঙনা থীনখি।

অশোকপশিং পুখৎলকখিবা হোস্পিটালশিংগী মনুংদগী অমগী দোক্টর অমনা অশোকপশিংগী মনুংদা ঙকশমদা থাঙনা লুনা থীনখিবগী মফমশিং লৈ হায়খি।

"পেসিয়েন্টশিংগী ৱাখল ফীভম থীনা শোক্লে, মখোয় মীপাইবনা হৌজিক ৱা ঙাঙবা ফাওবা ঙমদ্রে" হায়না দোক্টর অদুনা এন ঐচ কেদা হায়খি।

সুকুই য়ামায়ুরিয়েন সেন্টরদুদা এম্বুলেন্স ময়াম, পুলিসকী কার অমসুং ফায়র ট্রক কয়া চঙশিনখি। চীংগী উমংগী মনাক নক্লা লৈবা পংৱাং ৱাংদবা কমপ্লেক্স অদু মী চঙহন্দনা থমখি।

ঙসিগী মীহাৎ অদু কুমজা ১৯৩৮ গী থৌদোক্কী মতুংদা জপানদা থোক্লকখিবা অসিগুম্বা কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথীবনি হায়না থাজনরি। কুমজা ১৯৩৮ গী থৌদোক অদুদা শীংজং, থাঙশাং অমসুং রাইফল পায়বা নুপা অমনা মী কয়া মথং-মথং হাৎতুনা পূন্না মীওই ৩০ হাৎখি।

ফায়র দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেননা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, অশিবশিংদুগী মনুংদা চহী ১৮ দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা মাপন অমসুং নুপী ১০ য়াওখি। অতোপ্পা মীওই ২৫ শোকখিবগী মনুংদা মীওই ২০ গী ফীভম লুখি।

কানাগাৱা প্রিফেকচরগী ওফিসল অমনা সস্পেক্ট অদু আইদেন্টিফাইদ তৌখি অমসুং মহাক মী হাৎপদা শীজিন্নবা খুৎলায়শিংগা লোয়ননা পুলিস ষ্টেসনদা চঙজখ্রে হায়খি।

নোংয়াই মতুং পুং ২:১০ রোম তাবদা (জি এম টি ১৭১০ তাবদা) য়ুমাটসুনা থোঙনাওগী গ্লাস থুগাইদুনা ফেসিলিটি অদুদা চঙশিনখি অমসুং মফমদুদা লৈরম্লিবশিংদা থাঙনা থীনখি" হায়না ছিন্যা সাকুমানা প্রিফেকচর অদুগী কেপিটেল য়োকোহামাদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি।

"য়ুমাটসুনা পুলিস ষ্টেসনদা লাকপা মতমদা ঈ তৈরবা চাকখুমগী ছুরিশিং অমসুং অতৈ থাঙ ছুরি কয়া পুরকখি" হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা পুলিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, এটেক অদু হৌখিবা মিনিট ২০ লোম কান্নরগা নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ রোম তাবদা সেন্টরদুদগী ফোন তৌরক্কুনা থাঙ ছুরিশিং পায়বা নুপা অমা ফেসিলিটি অদুদা চঙলম্লে হায়না তন্নকখি। পুংখায়মুক লৈরগা মহাক পুলিস ষ্টেসনদা লাকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা য়ুমাটসুনা জপানগী পার্লিয়ামেন্টগী লৱার হাউসকী স্পিকরদা অইবা চে অমা থাদুনা দিসএবল্ড মীওই ৪৭০ হাৎকনি হায়না কিহনখি হায়না লোকেল মিদিয়াগী রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

মখুৎমক্না সিক্যুরিটি পার্সনেলদা শীন্নখিবা অইবা চে অদুদা মহাক্না সোসাইটি অমদা লৈহন্নীংলিবা ফীভম অদুসু পনখি। মহাক্না অদুগুম্বা সোসাইটি অদুদা ফীভম থীনা হেন্দিকেপ ওইরবশিংদি ইমুংগী মেম্বরশিংগী অয়াবা লৌরগা মশাদা অৱাবা পীদনা হাৎতোকপা য়াই হায়খি।

মহাক্কী ৱারোলশিং অদুদগী টোকিয়ো পুলিসনা মহাক অতৈ মীওইশিংদা অচৌবা থ্রেট অমনি হায়রদুনা সাগামিহারাগী ওথোরিটিশিংদা পাউ পীখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, য়ুমাটসুনা দিসএবল্ড মীওইশিং হাৎকনি হায়রকপদগী চহী অসিগী অঙনবদা মহাকপু হোস্পিটালদা চয়োল অনী চুপ্পা লায়েংখি। দোক্টরনা মহাক মী কনামত্তদা এটেক তৌররোই হায়না খনবদগী হোস্পিটাল অদুদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি।

# বাংলাদেশ পুলিসনা ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্ট ৯ হাৎখ্রে

ধাকা, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) ঃ
ধাকাগী মফম অমদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অমদা বাংলাদেশকী পুলিসনা খঙহৌদনা থোমজিনখ্রে অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা কাপ্পবদা ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৯ পুলিসকী মখুৎতা শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

"পুং অনী চুপ্পা নোংমৈ কাপ্পরবা মতুংদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট মাপন হাৎখ্রে" হায়না ধাকা মেট্রোপোলিটান পুলিস (দি এম পি)গী দেপ্যুটি কম্মিস্নার মাসুদ অহম্মদনা এ এফ পিদা হায়খি। অতোপ্পা এক্সট্রিমিষ্ট অমসু কলয়ানপুরদা রেইদ চথবদা কাপ্লবা মতুংদা ফাখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পুলিসনা হায়খি, অহিং নোংয়াই মতুংদা ব্লোক অমদা রেইদ অমা পাঙথোকখিবা ওফিসরশিংদা সস্পেক্ট-শিংনা বোম মচা অমা লংশিল্লকখিবা মতুংদা মখোয়না এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমা কোয়শিন্দুনা থমখি।

অহিং চুপ্পা ইস্লামিষ্ট গনমেনশিংদুনা "অলাহু অকবর" হায়না লাউদুনা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপখি। মফম অদুবু খুৎলায় মতিক চানা পায়বা পুলিস অমসুং রেপিদ এক্সন বাটালিয়নগী এলিট সিক্যুরিটিগী পার্সনেল চা কয়ানা কোয়শিন্দুনা থমখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।



"ঙসি অয়ুক পুলিসনা ওপরেসন ষ্টোর্ম ২৬ পাঙথোক্তুনা মিলিটেন্টশিংবু মাঙহন তাকহখি। ঐখোয়না হৌজিক মফম অদু তকখায়রি" হায়না রেইদ অদুবু লীদ তৌখিবা ধাকাগী এদিসনেল পুলিস কম্মিস্নার শৈইখ মারুফ হশন্না এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখোয় ১০ মক ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংনি হায়খি তৌইগুম্বসুং মখোয় করম করম্বা গ্রুপকীনো হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে।

"মখোয়গী ফিজোল অমসুং এটেক্কী মমাঙ অমসুং মতুংদা মখোয়না লাউখিবা খোল্লাউশিং অদুনা মখোয় ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট ফোর্সকী মেম্বরশিংনি হায়বা তাকচৈ" হায়না হশননা হায়খি। "মখোয় লোইনমক অমুবা অচোনবা ফুরিৎশিং লিৎলি অমসুং "অলাহু অকবর" হায়না লাউখি।"

বাংলাদেশ অসি ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্টশিংনা চথুবা শাথীরবা এটেক কয়াগী চৈথেং নংলিবনি। থা অসিগী অঙনবদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা ধাকাগী দিপ্লোমেটিক জোন অমদা লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমদা থোমজিন্দুনা মীরৈবাকমচা ১৮ য়াওনা য়ামদ্রবদা হোষ্টেজ ২০ হাৎখি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখি।

# টর্কিগী প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা ঈ য়ুবু মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা য়ান্নখিবা ৱা ঙাক্ত্রে হায়না মরাল শীখ্রে



অঙ্কারা, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) ঃ
মাইগ্রেন্টশিংবু টর্কি থাদোক্তুনা চৎপা থিংদুনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংদা চঙহন্দনবগী এগ্রীমেন্ট অমগা মরী লৈননা শকখিবা ৱাশকশিং ঙাক্ত্রে হায়না টর্কিনা পোলিটিকেল ব্লোক অদুবু মরাল শীখ্রে।

জর্ম্মন ব্রোদকাষ্টর এ আর দিনা লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগননা হায়খি মদুদি, অঙ্কারাদা পীগনি হায়না ৱাশকখিবা অপূনবা শেনফম য়ুরো বিলিয়ন ৩ (দোল্লর বিলিয়ন ৩.৩) গী মনুংদা ঈ য়ুনা হৌজিক ফাওবদা য়ুরো মিলিয়ন অনীদমক (দোল্লর মিলিয়ন ২.২) পীরক্লি।

"মখোয়দা (ঈ য়ুদা) পীখিবরা হায়না হংবা য়াগনি, তৌইগুম্বসুং টর্কিনা হৌজিক মীওই মিলিয়ন অহুমগী হোষ্ট ওইদুনা লৈরি। ঐখোয়না মীওইশিং অসি য়ুরোপতা চৎহনবা তারবদি য়ুরোপনা করি তৌগনি" হায়না মহাক্না হংখি। "য়ুরোপিয়ন গভর্ণমেন্টশিং পূকচেল শেংদে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

তেংবাং অদু টর্কিবু রিফ্যুজীশিংগী পোৎলুম পুবদা মতেং ওইনবা অমসুং চহী ৫ ময়ুম লৈবাক্তা লাল থোক্তুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা সিরিয়ন মিলিয়ন অহুমলোমগী হিংবগী ফীভমশিং ফগৎহনবদা শীজিন্নবনি।

রেফ্যুজীশিংবু য়ুল্লোন্নবা গ্রীসতা য়ৌদুনা ঈ য়ুগী সেনজেন জোনদা চঙবা থিংনবগী পান্দমদা পোলিটিকেল ব্লোক অদুনা এগ্রীমেন্ট অদু টর্কিগা সাইন তৌনখিবনি। জোন অদুদদি অপনবা লৈতনা বোর্দর লান্থোক লাঞ্জিন তৌদুনা চৎপা য়াই।

হৌজিক ঈ য়ুনা টর্কিদা পীরিবা শেনফম অদু ব্রুসেলসতা হান্না পীগনি হায়খিবা অপূনবা শেনফমদুগী চাদা অমা ফাওবা য়ৌদে। মদু টর্কিনা অয়াম্বনা সিরিয়ন রিফ্যুজীশিং ওইরিবা মাইগ্রেন্টশিংবু নোংচুপলোমদা চঙশিনবা থিংবদা টর্কিনা লৌরিবা থৌদাংগীদমক্তনি।

ইর্দোগননা ঈ য়ুদা অহেনবা খুদোংচাবশিং তকশিল্লদুনা ব্লোক অদুনা টর্কিশ সিটিজনশিংদা থল্লিবা ভিজাগী অথিংবশিং লৌথোক্কদবনি হায়খি। টর্কিগী অপূনবা মীশীংসি মিলিয়ন ৭৫ রোমনি। চৈরকসিদা, টর্কিগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর নেহমিট সিমসেকনা হায়খ্রে মদুদি, প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা উন্নবা লাক্লিবা ওগষ্ট ৯ দা সেন্ট পিটসবর্গতা চৎলগনি। হৌখিবা চহীদা রশিয়ন ৱারপ্লেন অমা টর্কিশ বোর্দরদা কাপথখিবদগী ক্রাইসিস অমা লাকখ্রবা মতুংদা মোস্কো অমসুং অঙ্কারানা নাকল অনীগী মরীদা অশোয়বা লৈরম্বশিং চুমথোক্লবা হোৎনরক্লিবনি।

# য়ু এসনা সাউথ চাইনা সীগী মতাংদা চাইনা-ফিলিপিন্স ৱারী হৌহনবা পাম্লি



ভিয়েনট্যান, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) ঃ
ইন্টরনেসনল আর্বিট্রেসন ট্রাইব্যুনেলনা বৈজিংগী মায়োক্তা রুলিং পীখিবা মতুং অসিদা সাউথ চাইনা সীগী মতাংদা মহাক্না চাইনা অমসুং ফিলিপিন্সকী মরক্তা ৱারী শানবা হৌবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এননা শৌগৎপা পার্মিনেন্ট কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসননা হৌখিবা জুলাই ১২ দা ৱায়েল চথখিবদা চাইনানা শরুক য়াখিদবগা লোয়ননা য়ু এসকী মীচং ওইরিবা মনিলানা মায় পাকপা উখিবা কোর্টকী রুলিং অদুবুসু লৌখিদে।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা কেরিদা মনিলা অমসুং বৈজিংগী মরক্তা ৱারী শানবা নৌনা অমুক হৌহনবদা মতেং পাংনবা হায়খি। মখোয়নিনা নিংথৌকাবদা লাউসকী কেপিটেল ভিয়েনট্যানদা উনবদা ৱাং য়ীনা ৱাফম অদু হৌদোকখিবনি।

"ফোরেন মিনিষ্টরনা উংখৎনবা ফীভমদগী থৈদোক্তুনা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপগী মতম অদু লাক্লে হায়না ফোঙদোকখি" হায়না কেরিনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

"ঐখোয়না ক্লেম তৌরিবা পার্টি অমত্তনা কাইহৌবগী থৌওং অমত্তা চথুনদনবা, টেন্সন ৱাংনরক্কদবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎনদবগী ৱাফম য়ানরে।"

কেরিনা হায়খি, মহাক্না ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেগা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মনিলাদা উনবদা চাইনাগা দাইলোগ অমসুং নিগোসিয়েসন্স চথুনবা পূক্নিং থৌগৎকনি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট কেরিনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা ফিলিপিন্সতা চৎকনি। চাইনানা ইন্টরনেসনল কোর্টকী রুলিংবু লোগী মায়োক্তনি হায়না য়াখিদবসি শীংনবা অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিনা রুলিং অদুবু লিগেলগী ৱাফমদা চৎনফম থোকই হায়না লৌই। মসি লোগী ৱাফমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। " মরম অদুনা ঐখোয়গী ইমাংদা অচৌবা থবক অমা তাদুনা লৈরে। মদুদি শীংনবা অমনি। শীংনবদুদি ইসুশিংবু দিপ্লোমেসি অমসুং রুল ওফ লোগী খুথাংদা শোয়দনা লৈখায় তাথোকপা ঙম্নবা হোৎনবনি" হায়না কেরিনা হায়খি।

চহী খুদিংগী দোল্লর ত্রিলিয়ন মঙাগী ললোন-ইতিক্কী লম্বী ওইনরিবা সাউথ চাইনা সীগী অয়াম্বা শরুক চাইনানা ক্লেম তৌরি। ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনসু বৈজিংগা ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌরি।

# 'নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলাই প্রোগ্রামগী ফৎতবা রিজল্ট কয়া লাক্কনি'

ভিয়েনট্যান (লাউস), জুলাই ২৬ ঃ
নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক পায়খৎলিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংগী প্রোগ্রামদগী লাকপা অশেংবা ফল কয়া লৈবাক অসিনা মায়োক্লরকখিগনি হায়না ৱাশিংটনগী মকোক থোংবা পাউখোল্লোই জোন কেরিনা চেকশিন ৱা পীখ্রে।

"অসিগুম্বা এক্সনশিং অসিগী থাঙ্গৈশেংবা মতুং তাবা ফলশিং লৈ হায়বসি ঐখোয়না দি পি আর কেবু শোয়দনা খঙহনগনি" হায়না লাউসতা সম্মিট অমা য়াওবা লাকখিবা কেরিনা মালেমদগী তোঙান তাদুনা লৈরিবা ওথোরিটরিয়ন ষ্টেট অদুগী ওফিসল এক্রোনিম শীজিন্নরদুনা পাউমীশিংদা হায়খি।

চহী অসিগী অহৌবদা পিয়োংয়াংনা মসিগী মরিশুবা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট পাঙথোকখিবা মতুং মিসাইল কয়া পরিং নাইনা কাপখিবদগী লমদম অদুদা টেন্সন ৱাংখৎলকখি। নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসকী মপুং লমদা এটেক তৌবা ঙমগদবা মায়কৈরোমদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে হায়বসি চাংয়েংশিং অদুনা উৎলে হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

পিয়োংয়াংগী থবক থৌওংশিং অদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এননা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিংসু হেন্না কনশিনখি। তৌইগুম্বসুং পিয়োংয়াংনা মখা তানা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। অথিংবা কয়া থম্বনা লৈবাক অদুগী খুৎলাইগী প্রোগ্রামদা অপনবা পীবা ঙম্লোই হায়বা উৎলদুনা পাঙথোরকখিবা চাংয়েংশিং অদুগী খ্বাইদগী ইনৌ নৌবদু হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা খুৎলাই চাংয়েং লেপ্তুনা পাঙথোরকখিবা অদুনা থা অসিগী অঙনবদা ৱাশিংটন অমসুং সিওলবু য়েক্লবগী প্রোজেক্টাইলশিং কাপথবা ঙম্বা য়াম্না খুমাং চাউশিল্লবা এন্টি মিসাইল সিষ্টেম অমা সাউথ কোরিয়াদা দিপ্লোই তৌনবগী ৱাফম য়ানখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
D.M. COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL

## NOTICE

Imphal, the 26th July, 2016

**No. 301/1/09-TE:** The result of the provisionally selected pre-service candidates for admission in B.Ed. Course 2016-17, in the D.M. College of Teacher Education, Imphal is declared. Pre-Admission Counseling for the provisionally selected candidates will be held on 29th and 30th July, 2016.

Details can be had from the College Notice Board and College Website **(www.dmcte.in)**.

**Sd/- Smt. Th. Ibetombi Devi**
Principal-in-charge
D.M. College of Teacher Education, Imphal

*HL-P/9261/27*

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF EDUCATION [SCHOOL]

## NOTIFICATION

Imphal, the 26th July, 2016

**No. 5/3/1-1/07/DE (S):** It is hereby notified for information to all concerned that the Qualifying Examination for admission to Rashtriya Indian Military College, Dehradun for the **Term Commencing July 2017 will be held on 1st & 2nd December, 2016 at Ram Lal Paul Hr. Sec. School, Imphal.**

Male students who are reading in Class - VII or VIII Passed from any recognized School and born between 2nd July 2004 and 1st January 2006 is eligible for admission in July 2017 term.

Details can be had from the OSD/Exam, Directorate of Education (S), Lamphelpat. Details are also uploaded in the official website of Education Department www.manipureducation.gov.in for information of the general public.

*Sd/-* **N. Praveen Singh**
Director of Education (S)

*HL-B/3219/27*



HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

## Indian Bank Recruitment 2016

Indian Bank invites Application for the post of 03 Chief Operating Officer & Head of Vertical on Contract Basis. Apply Online before 10 August 2016.
Job Details :
Post Name : Chief Operating Officer
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 45.00/- (lakhs Per annual)
Post Name : Head of Vertical (Ind Retail Vertical & MSME & Mid Corporate Vertical)
No of Vacancy : 02 Posts (Ind Retail Vertical – 01 Post & MSME & Mid Corporate Vertical – 01 Post)
Pay Scale : Rs. 38.00/- (lakhs Per annual)
Eligibility Criteria for Indian Bank Recruitment :
Educational Qualification : Degree in any Discipline from a recognized university and Relevant Experience.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.04.2016
For Chief Operating Officer : 45 to 55 years
For Head of Vertical : 40 to 50 years
Job Location : Chennai (Tamil Nadu)
Selection Process : Selection will be on the basis of Short listing and Interview.
Application Fee : Candidates have to pay Rs. 1000/- through Credit/ Debit Cards of Master/ VISA/RuPay (or) by Net Banking of various Banks.
How to Apply Indian Bank Vacancy : Interested candidates may apply Online through the website www.indianbank.in from 23.07.2016 to 10.08.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 23.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 10.08.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.indianbank.in/pdfs/rec/ADVBUSONCONTBASIS.pdf
Apply Online : https://apps.indianbank.in/recapp/

## RSMSSB Recruitment 2016

Rajasthan Subordinate & Ministerial Services Selection Board (RSMSSB), Jaipur invites application for the post of 204 Livestock Assistant. Apply Online before 27 August 2016.
Advt No : 02/2016
Job Details :
Post Name : Livestock Assistant
No. of Vacancy : 204 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-
Eligibility Criteria for RSMSSB Recruitment :
Educational Qualification : Senior Secondary with physics, Chemistry and Biology OR Horticulture (Agriculture), Animal Husbandry and Biology from the Board of Secondry Education Rajasthan or Eqivelent and one year/ two year Training of Livestock Assistant.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Years as on 01.01.2017
Age Relaxation :
For SC/ ST/ OBC/ Special BC & General Female candidates : 5 years
For all Reserved categories Female candidates : 10 years
Job Location : Rajasthan
Selection Process : The examination scheme for recruitment shall consist of Preliminary Exam & Main Exam both an objective type examination.
Application Fee: Candidates belongs to General & BC (Creamy layer)/ Special BC category have to pay Rs.650/-and Rs.450/- for Non Creamy layer BC & Special BC candidates of Rajasthan and Rs.350/- for SC/ ST candidates of Rajasthan. Fee can be paid through e-Mitra/ CSC or Net Banking/ ATM cum Debit Card or Credit Card.
How to Apply RSMSSB Vacancy : Candidates are required to apply online through website rsmssb.rajasthan.gov.in from 27.07.2016 to 27.8.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 27.08.2016
Last Date for Payment of Fee : 27.08.2016
Important Links : Detail Advertisement Link : http://www.rsmssb.rajasthan.gov.in/Static/files/Live_Stock_Assistant_Exam_ (Scheduled_Area)_Exam_2016_full_Advertisment.pdf
Apply Online : http://recruitment.rajasthan.gov.in/recruitment/recruitmentservlet

## VYAPAM Recruitment 2016

Madhya Pradesh Professional Examination Board (VYAPAM) invites application for the post of 244 Gramin Krishi Vistar Adhikari (Rural Agricultural Extension Officer) Gr. II. Apply Online before 26 August 2016.
Job Details :
Post Name : Gramin Krishi Vistar Adhikari
No of Vacancy : 244 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2400/-
Categories wise Vacancies :
UR : 144 Posts
SC : 01 Post
ST : 44 Posts
OBC : 55 Posts
Eligibility Criteria for VYAPAM Recruitment :
Educational Qualification : Bachelor Degree in Agriculture from any recognized University.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 40 years (Only M.P. Domicile) 35 years for Other State as on 01.01.2016.
Job Location : Madhya Pradesh
Selection Process : The selection will be made on the basis of Written Examination, Physical Test & Interview.
Application Fee : Candidates applying online have to pay Rs.500/- for General category candidates and Rs. 250/- for SC/ST and OBC candidates of MP and Rs.70/- for MP Online Portal Fee for all candidates fee can be pay through through MP Online (Kiosk)/ Net Banking/ Credit card/ Debit Card.
How to Apply VYAPAM Vacancy: Interested Candidates may apply online through www.vyapam.nic.in or www.mponline.gov.in from 27.07.2016 to 26.08.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date for Submission of Online Application : 27.07.2016
Closing Date for Submission of Online Application : 26.08.2016
Starting Date for Making Corrections in Submitted Application Form : 27.07.2016
Closing Date for Making Corrections in Submitted Application Form : 31.08.2016
Date of Written Exam : 01.10.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://vyapam.nic.in/Rulebooks/RB_2016/GRAMIN%20VISTAR%20ADIKARP-2016-Rule%20Book.pdf
Apply Online : https://peb.mponline.gov.in/Portal/Examinations/Vyapam/examsList.aspx